## অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মালেম্মা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা চহী তরাগী মতম মায়োক্নরক্লি

মোস্কো, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইখিবদগী হৌজিক মালেম অসিনা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা চহী তরামুক্কী মতম মায়োক্নরক্লি হায়না রসিয়াগী প্রেসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক্না ৱাফম অসি য়ুক্রেনদা রসিয়ন ফোর্সশিং পরিং নাইনা মায়থীবা ফঙখিবা মতুং অমদি লানগীদমক্তা রসিয়ন ৩০০,০০০ মোবিলাইজ তৌনবা হোৎনরকপদগী মীয়াম্না মঙোন্দা শাউবা হেনগৎলক্লিকৈঙে মরক্তা চহীগী ওইবা বালদাই ফোরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না শগোলশেল নুমিত্তা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হিরম কয়া পন্দুনা ৱা ঙাঙখিবা অদুদা মহাক্না য়ুক্রেনদা রসিয়ানা লান্দারিবা অদুবু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খি। পনবা য়াই, খোঙথাং অসিনা মরম ওইদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী মালেমদা তোঙান্না তারক্লিবনি।

পুটিননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু রসিয়াগী মায়োক্তা ন্যুক্লিয়র ব্লেক মেল চথদুনা মিচংশিংবু মোস্কোদগী মমায় লৈথোকহন্নবা হোৎনৈ হায়নসু মরাল শীখি।

মোস্কো ৱা ঙাঙদ্রিঙৈ মমাঙগী নুমিত্তা পুটিননা রুটিন ন্যুক্লিয়র এক্সর্সাইজশিং য়েংশিনখি। মদুদা য়েক্লবনা ন্যুক্লিয়র এটেক চাওনা চথরকপগী মওংদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকখি।

প্রসিদেন্ট পুটিনগী ৱারোল পল্লদুনা বি বি সিনা মখা তারিবদি রসিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা য়াবগী মতাংদা মখোয়গী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম অমত্তা পনখিবা লৈতে। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম খরদা ঐখোয়না পাউখুম পীনবা হোৎনখিবদনি। মরু ওইনা পুটিননা হৌখিবা ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা কেম্পেইনগী ইভেন্ট অমদা য়ুকেগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর লিস ট্রসনা তঙাই ফরক্তবদি মহাক্না ন্যুক্লিয়র বটন নম্ননবা শেম শাদুনা লৈগনি হায়বা ৱাফম অকক্লনা পনখি।

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা হায়, ট্রসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা য়ুকেগী মীচংশিংনা য়ানিংদবা উৎলকখিদবা অদু মঙোন্দা ঙক্লা থোকই। অসিগুম্বা ৱাফম অমা ফোঙদোরকপা মতমদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈগদ্রা নত্ত্রগা মদু ঐখোয়না তাদবা শারগা লৈগদ্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহংনি।

রসিয়াগী সোভরেন্টিগী মতাংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফজদবা গেম অমা চথদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু অমুক হন্না চৈখি। পুটিননা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মালেমগী এফিয়র্স কন্ট্রোল তৌদুনা লাকপদু হৌজিক্তি য়াররোই। ঐখোয় হৌজিক পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমা চঙশিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরবনি।

ঐখোয় তম্বা ঙমদবা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা মায়োক্নরকপা য়াই। ঐখোয় মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা দিকেদ মায়োক্নরকপা য়াই।

মালেমগী এফিয়র্স হৌজিক মখা তানা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবসু মখোয়না মখা তানা মসিদা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনবদি লেপ্তে হায়না পল্লদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা হায়, তুংদা লাক্কদবা মালেমগী ওর্দর অদু হৌজিক ঐখোয়গী মীৎমাংদা শেন্বা হৌরবনি।

মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লুচিংদুনা নোংচুপলোম্না রসিয়াবু মাঙহন তাকহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মরাল শীখি।



## কানপুরদা পোকখিবা সিইওনা ন্যু য়োর্কতা দোল্লর বিলিয়ন ১০০ ইনভেষ্ট তৌরগনি

ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): মাইক্রোন টেক্নোলোজিগী ইন্দিয়ন-অমেরিকন সি ই ও সঞ্জয় মেহরোট্রানা মথংগী চহী ২০ গী মনুংদা দোল্লর বিলিয়ন ১০০ ইনভেষ্ট তৌদুনা ন্যু য়োর্কতা মীওই লিশিং কয়া থবক ফঙহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী কানপুরদা পোকখিবা মেহরোট্রানা মহাক্কী লিঙ্ক ইন পোষ্টতা হায়খি, মদুদি মহাক্না প্রসিদেন্ট জো বাইদেন উনরে অমসুং মাইক্রোনগী তুংগী প্লানশিং অমদি ন্যু য়োর্ককী ক্লেদা খ্বাইদগী চাওবা সেমি কন্দক্টর ফেব্রিকেসন ফেসিলিটি শেমগৎপগী থৌরাং উৎখ্রে।

ঐহাক্না প্রসিদেন্ট বাইদেনবু মাইক্রোনগী টিমগী মীওই খরদা ইন্ট্রোদ্যুস তৌখি অমসুং ন্যু য়োর্ককী ক্লেদা ঐখোয়না পায়খৎলক্কদৌরিবা মেগা ফ্লেপকী থৌরাংশিং অদু উৎখি। মথংগী চহী ২০ খরা হেনবগী মনুংদা দোল্লর বিলিয়ন ১০০ ইনভেষ্ট তৌগদৌরিবা অসিনা য়ুএসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা সেমি কন্দক্টর ফেব্রিকেসন ফেসিলিটি শেমগৎলগনি।

টোপ একজিক্যুটিব অসিনা পোষ্ট অদুদা হায়খি, মদুদি মাইক্রোন টেক্নোলোজিসনা ন্যু য়োর্কতা মীওই লিশিং ৫০ থবক পীগনি অমসুং ৱার্ক ফোর্স শেমগৎনবগীদমক্তা লোকেল পুলিসশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নগনি। মাইক্রোন টেক্নোলোজি অসি নষ্টাক্কী লিষ্টতা য়াওবা ইনোভেটিব মেমোরি অমসুং ষ্টোরেজ সোলুসন্সতা মীৎয়েং থম্বা কম্পেনি অমনি।

মেহরোট্রানা মখা তানা হায়খি, মদুদি মখোয়না ন্যু য়োর্কপু মালেমগী মাঙজিল থাবা সেমি কন্দক্টর মেন্যুফেকচরিং হব ওইহনবা পাম্মী।

চেরোল অমদা কম্পেনি অসিনা হায়খি, মদুদি মসিনা গ্রিন চীপস কম্যুনিটি ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দদা দোল্লর মিলিয়ন ২৫০ ইনভেষ্ট তৌবগা লোয়ননা ন্যু য়োর্কতগী অহেনবা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ অমদি লোকেল, অতৈ ষ্টেট অমদি নেসনেল পার্টনরশিংদগী দোল্লর মিলিয়ন ১৫০ ইনভেষ্ট তৌরগনি।

ন্যু য়োর্ক গভর্ণর কেথি হোচুলনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি মাইক্রোন টেক অমসুং ফেদরেল অমদি লোকেল পার্টনরশিংগা খুৎশম্নরগা ঐখোয়না ৱার্ক ফোর্স দিভলপমেন্ট হাউজিং, এদুকেসন অমসুং অতৈ হিরম কয়াদা সেন্ট্রেল ন্যু য়োর্কতা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ ইনভেষ্ট তৌরগনি। ঐখোয়গী গ্রিন চীপস লেজিসলেসননা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মীওই ৫০,০০০ থবক পীবদা নত্তনা ঐখোয়গী কম্যুনিটিশিংদা তুং কোইনা ইনভেষ্ট তৌবা ঙল্লগনি হায়খি।



## ফিলিপিন্সতা অহিং চুপ্পা নোং চুবদগী ঈচাও থোক্তুনা মীওই ১৩ শিরে

মানিলা, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): অহিং চুপ্পা নোং কন্না অমদি লেপ্তুনা চুবদগী ফিলিপিন্সকী মেগ্যুনদনাও প্রোভিন্সকী টাউন কয়াদা ঈশিং থুম্বদগী ইরাই নুমিত্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমদি অতৈ মীওই কয়া থীবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



এজেন্সিগী পাউ মতুং ইন্না ইনিসিএল রিপোর্ট পল্লদুনা দিজষ্টর মেনেজমেন্টগী ওফিসল অদুনা হায়, মীশিশিং অদু ঈরাক্লবদগী নত্ত্রগা লেন্দ স্লাইদশিংনা মরম ওইদুনা থোকখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু ওথোরিটিশিংনা য়েংশিল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংদা নোং কন্না চুরিবদু নোংমাইজিং নুমিত্তা ফিলিপিন্সকী মরু ওইবা ঈথৎ লুজোনদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ নালগে ফুজিল্লক্কনি হায়না লাউথোকখিবগা মরী লৈনৈ। ফিলিপিন এটমোস্ফেরিক, জিওফিজিকেল এন্দ এষ্ট্রোনোমিকেল সার্ভিসেস এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না নালগে ইরাই নুমিত্তা মতিক ময়াই লৈরবা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইরক্লবা য়াই অমসুং থাংজ নুমিৎ ফাওবদা মদু টাইফুন অমা ওইরকপা য়াই। মরু ওইনা পেসিফিক রিং ওফ ফায়র অমসুং পেসিফিক টাইফুন বেল্টকী মনুং চন্না লৈবনা মরম ওইদুনা ফিলিপিন্স অসি মালেমগী মহৌশাগী খুদোংথীবা খ্বাইদগী থোক্কনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি।

চাংচৎতা ঈথৎ ময়াম্না পুল্লগা শেন্বা লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী টাইফুন ২০ শীৎচিল্লক্তুনা খ্বাইদগী দিজাষ্টর থোক্কনবা লৈবাক অমা ওইরি।

## পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা দোল্লর বিলিয়ন তরাগী প্রোজেক্ট পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা দোল্লর বিলিয়ন তরা চঙগনি হায়না পান্নরিবা মেনলাইন-১ (এমএল-১) রেলৱে প্রোজেক্ট পায়খৎননবা শগোলশেল নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ড ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।



রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না জেইন্ট কো ওর্দিনেসন কম্মিটি (জে সি সি) না চাইনা-পাকিষ্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সি পি ই সি) গী মখাদা বিজিনেসকী দিলশিং পায়খৎমিন্ননবসু ৱারেপ লৌখি। পাকিষ্টাননা চাইনাদা দোল্লর বিলিয়ন ২৭ কী শেন্দোল শীংবগী মতম হোংদোক্লনবসু হায়জগনি হায়রি।

মীফম অদুদা পাকিষ্টাননা চাইনাদা সি পি ই সি প্রোজেক্টশিংগী মখাদা থবক তৌরিবা চাইনিজ নেসনেলশিংগী সেক্যুরিটিগীদমক্তা ইনিসিএটিব কয়া লৌখৎলগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

নাকল অনীনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা মখোয়গী কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানবদা সেক্তর অসিদা অনৌবা এভেন্যুশিং খঙদোক্লনবা চাইনিজ কম্পেনিশিংনা পাকিষ্টানদা রিছার্স সেন্টরশিং লিংবা হায়নসু য়ানখি। পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা ১১ শুবা জে সি সিগী মীফম ভার্চুএল ওইনা পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীনা মীটিং অদুদা য়ানখিবা ৱাফমশিং খুৎয়েক পীনবা ঙমখিদে।

মীফম অদুদা য়ানখিবশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফকী চাইনা খোঙচৎতা খুৎয়েক পীনরবা য়াই। মহাক অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসন অমগা লোয়ননা নবেম্বর ১ দগী চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎকদৌরিবনি। সি পি ই সিগী মীফম অদু ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখি অমসুং নাকল অনীনা সি পি ই সিগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা অপেনবা ফোঙদোক্লখি অমদি মীফম অদুদা অতৈ প্রোজেক্ট কয়াসু প্রপোজ তৌখি।

মীফম অদু পাকিষ্টানগী প্লানিং মিনিষ্টর অহসন ইকবাল অমসুং চাইনাগী নেসনেল দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্ম কম্মিসন (এন দি আর সি) গী ভাইস চিয়ারমেন লিন নিয়াং সুনা কো চিয়রশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। পি এম সেহবাজকী লীচিং মখাদা সি পি ই সি অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা নেসনেল প্রাইওরিটি ওইরে হায়না মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী ৱেলকম এদ্রেসতা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা চাইনিজ অমসুং লোকেল ফাইনান্সশিংগী খুথাংদা হৌজিক কিমি ৮৮৮ কী মোটোরৱে অমদি হায়ৱেশিংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি হায়বসিসু মীফম অদুদা লাউথোকখি। সেক্তর অসিগী ফ্লেগশিপ প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কে কে ঐচ-থাক্কোট-হাবেলিয়ন অসি মালেম্না খঙনরবনি।

অতোপ্পা প্রাইওরিটি প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা করাচি সার্কুল্লর রেলৱে (কে সি আর) সু মীফম অদুদা কুপ্পা খন্নখি। প্রোজেক্ট অসিনা করাচিগী মীয়ামদা থবক ফঙহনগদৌরিবনি। নাকল অনীনা করাচিদগী পেসৱার ফাওবগী রেল লাইন লিঙ্ক শেমগৎ শাগৎনবগী এমএল-১ প্রোজেক্ট হৌবগী ৱাফম য়ানখি।

## লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা কনশিলহনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু কন্দেম তৌখ্রে

হাবানা, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ক্যুবাগী মায়োক্তা থল্লিবা লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা হেন্না কনশিলহনবগীদমক করিবিন লৈবাক অসিগী লেজিসলেটরশিংনা য়ুএসপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। পার্লিয়ামেন্টরি হিয়ারিং অমদা ক্যুবান লেজিসলেটরশিংনা য়ুএসকী খোঙথাং অদুবু কন্দেম তৌখিবনি।

ওদেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা দিপ্যুটি মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফিয়র্স কার্লোস ফর্নান্দেস ডে কোসিওনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী শেল থুমগী অথিংবশিং অদু ক্যুবাগী মীয়ামদা পেন্দবা কয়া লৈহন্নবগী পান্দমদা থল্লিবনি।

য়ুএসকী ব্লোকেদ অসি মরু ওইনা ক্যুবাগী মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎনবা লেপখ্রবা প্রোজেক্ট অমা মায় পাকহন্দনবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি ক্যুবাগী সোসল রিভোলুসনবু লমজিংলিবা প্রিন্সিপলশিংগী সোসল জষ্টিস অমসুং থোং মান্নবগী ফিভম লৈহল্লিবা ৱাখল্লোন অসিনি। লাক্লিবা নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিগী মীফমগী মাঙওইননা ক্যুবাগী গভর্ণমেন্টনা অথিংবশিং অদুগী মায়োক্তা চহীগী ওইবা দ্রাফট রিজোলুসন পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফার্ষ্ট দিপ্যুটি মিনিষ্টর ওফ পব্লিক হেল্ঠ টানিয়া ক্রুজনা হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মনুংদা য়ুএস গভর্নমেন্টনা ঈথৎ লৈবাক অসিবু মেদিকেল সপ্লাইশিং, হিদাক লাংথক অমদি রি-এজেন্টশিং য়ারিমখৈ ফঙহন্দনবা হোৎনখি। হার্টকী লায়না চেনবা পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নরিবা য়ুএসতা শাবা পেসমেকরশিং অমদি বাল্বশিংবু ঐখোয়দা ফঙহনখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওফিসল দেটা মতুং ইন্না য়ুএসকী অথিংবশিং অদুনা হৌখিবা চহী ৬০ গী মতম অসিদা ক্যুবান ইকনোমিদা পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ১৫৪.২ মাঙহনখি। কুমজা ১৯৬২ দা অহানবা ওইনা থমখিবা শেল থুমগী অথিংবশিং অদু য়ুএসকী ক্লাইট পুম্নমক অথিংবা থম্বা য়াওনা অহেনবা অথিংবা ২৪৩ হাপচিন্দুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হেন্না কনশিনহনখিবনি।

## ভিএটনামদা দেঙ্গিনা শিহনবা মী মশিং ১০২ শুরে

হানোই, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): ভিএটনামদা দেঙ্গি ফিবর ইনফেক্সনগী কেস ২৬০,০০০ লোম থেংনবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীওই ১০২ শিখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা মিনিষ্ট্রি অসিনা পল্লদুনা হায়, কুমজা ২০২১ গী মান্নবা মতমদগী ইনফেক্সন অমসুং শিবগী মশিং শরুক মঙারোম হেনগৎখি। লাক্লিবা নবেম্বর অমসুং দিসেম্বরদা লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স অমদি সিটি কয়াদা লায়না অসিগী লাইচৎ কনখৎলকপা য়াই।

দেঙ্গিগী কেস ৭০,০০০ রোম থেংনবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ২৯ শিহনখ্রবা হো চি মিন সিটি অসি লাইচৎ খ্বাইদগী কনবা সিটি ওইরি। কেপিটেল হানোইদা লায়না অসিগী কেস ৮০০০ হেন্না থেংনরে অমদি মীওই ১২ না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখ্রে। দেঙ্গিদা নত্তনা ভিএটনামদা হন্দক্তা অতৈ লায়নাশিংসু কনখৎলকপা উখি। অৱাং থংবা বাক কান প্রোভিন্সতা প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোয় ৭০০ হেন্না ফ্লু মখল অমনা নাখি। মখোয়গী মরক্তগী চহী নিপানগী অঙাং অমা শিখি। টেষ্ট তৌনবা থাখিবা সেম্পল তরেৎকী মরক্তা মঙা ইনফ্লুয়েঞ্জা বি ষ্ট্রেন্ট পোজিটিব ওইখি।

অতৈ অনীদি নেগেটিব ওইখি। হানোইদা হেন্দ, ফুদ এন্দ মাউট দিজিসকী কেস ১৫৪৩, টিটানসকী কেস ১১ অমসুং জপানিস ইন্সেফলাইজিসকী কেস মরি য়াওনা অতৈ লায়নাশিংগী ইনফেক্সনশিং হেনগৎলকপা উখি।

## গভর্ণমেন্ট কন্নবা আর্মি চীফকী থবক্কী মতম শাংদোক্নবা ওফর তৌখিবনি হায়বা ইমরান খাননা য়াখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): ওপোজিসননা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা লৌতুনখিবা মতমদা আর্মি চীফ জেনরেল কমর জাবেদ বসৱাগী থবক্কী মতম শাংদোক্নবা মহাক্না ওফর তৌখি হায়না পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফোঙদোকখ্রে।



শগোলশেল নুমিত্তা লোকেল টিভি চেন্নেল অমনা লৌখিবা ইনটরভিয়ু অমদা খাননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম থল্লদুনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা হায়, করিগুম্বা নো-কনফিদেন্স মোসন অসি মায় পাকখিবা তারবদি মদুনা পাকিষ্টানগী ইকনোমিদা হকথেংননা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা কনামত্তনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং ফেল ওইরকপগী ফিভম থিংবা ঙম্লোই হায়না ঐহাক্না জেনরেল বজৱাদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ৱার্নিং তৌখি।

পিটিআইগী চিয়ারমেন অসিনা হায়খি, মদুদি মতমদুগী ওপোজিসন্না মঙোন্দা মতম শাংদোকপগী ওফর অসি তৌখিবা ওইরবদি মহাক্না মদুমক তৌরমগনি হায়বসি মহাক্না আর্মি চীফতা শেংনা খঙহনখি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা দি জি আই এস আই লেফটনেন্ট জেনরেল নাদিম নাজুম্না চহী অসিগী অঙনবা মার্চ থাদা মহাক্কী হেক মমাঙদা আর্মি চীফকী থবক্কী মতম কক্তনা শাংদোকপগী ওফর অসি তৌখি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইমরান খাননা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

ইন্টরভিয়ু অদুমক্তদা খাননা টোপ লিদরশিংদা করিগীদমক্তা ঐখোয়না পোলিটিকেলগী ৱাফমশিং খন্ননবা প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্লিবনো হায়নসু হংখি।

পিটিআইগী লুচিংবা ফাইসল বৌদাগী প্রেস কনফরেন্সকী মতাংদা পল্লদুনা হান্নগী পিএম অসিনা মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবশিংবু চমম্নহল্লিবা অমদি থম্মোয় কায়হল্লিবা অসিগুম্বা ৱারোলশিং ফোঙদোরক্কনি হায়বসি মহাক্না থাজদে হায়খি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বৌদানা ষ্টেটনা চল্লাইবা ব্রোদকাষ্টর পি টি ভিগী থোঙদা ৱা ঙাঙখিবদা পার্টিনা ইস্লামাবাদতা চৎকদৌরিবা অশাংবা খোঙচৎ অদুবু মায় পাকহন্দনবা হোৎনখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টশিং অদুদা মীশিমীনাশিং য়াওরক্কনি হায়বা মহাক্কী ক্লেম রিজেক্ট তৌখি।

মহাক্না সেনিয়র জর্নেলিষ্ট আর্সদ সারিফকী মীহাৎতা ইষ্টাব্লিসমেন্ট থৌদাং লৌখিবা লৈতে হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা লৌতুনবশিং অদুগী মমিংশিং থুনা লাউথোক্লগনি হায়খি।

খাননা হায়, সেনিয়র জর্নেলিষ্ট হাৎখিবদু শোয়বদগী নত্তে। তশেংনমক মহাক্কী মীহাৎ অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা পাঙথোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মেরিটাইম দিমার্কেসন দিল পুরকখ্রবা মতুংদা হেজবোলানা এন্টি-ইজরেল মোবিলাইজেসন লেপখ্রে

বৈরুট, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): লেবানিষ্ট অমসুং ইজরেল্লি লিদরশিংনা য়ুএসনা ৱাতেমখিবা মেরিটাইম দিমার্কেসন দিল অমা ফাইনেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা হেজবোলানা ইজরেলগী মায়োক্তা অকনবা মোবিলাইজেসনগী থবক লেপ্লে হায়না খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিগী লুচিংবা হাসন নসরানা লাউথোকখ্রে।



শগোলশেল নুমিত্তা টেলিভিজনগী থোঙদা ৱা ঙাঙখিবা নসরানা হায়খি, মদুদি মিশন অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে। এগ্রিমেন্ট অদু লেবানন অমসুং মসিগী মীয়ামগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

নসরানা মখা তানা হায়খি, মদুদি লেবানিষ্ট ওথোরিটিশিংনা ইজরেলগা মহৌশাগী মরী লিংমিন্ননবা হোৎনবনি হায়না লৌগদবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে।

পনবা য়াবদি, টেক্নিকেলগী মীৎয়েংদা লেবানন অমসুং ইজরেল হৌজিকসু মখা তানা লান শোক্লন্দুনা লৈরি হায়না লৌনৈ। হেজবোলাগী লুচিংবা অসিনা হায়খি, মদুদি লেবাননগী প্রসিদেন্ট মিচেল আউননা খুৎয়েক পীখিবা অদু ইন্টরনেসনেল ট্রিটি অমা নত্তে অমসুং মদু ইজরেলবু শকখঙবগী খোঙথাং অমা নত্তে।

হেজবোলা অসি ইরাননা শৌগৎপা লেবানিষ্ট খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমসুং পোলিটিকেল পার্টি অমনি। ইজরেল অমসুং লেবাননা মরু ওইবা দিল অমা শগোলশেল নুমিত্তা খুৎয়েক পীনদুনা অহানবা ওইনা লৈবাক অনীগী মেরিটাইম বাউন্দরি লৈহন্দুনা ইষ্টর্ন মেদিটিরিনিয়ন সীদা গ্যাস থীবগী থবক হৌনবগী অয়াবা পীখি। ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা লেবাননগী প্রসিদেন্ট মিচেল আউননা মহাক্কী পেলেসতা লেটর অমদা সাইন তৌদুনা এগ্রিমেন্ট অদুবু অয়াবা পীখি। মদুগী মতুংদা ইজরেলগী ক্যের টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়ার লাপিদনসু জেরুসালেমদা মান্নবা লেটর অমদা সাইন তৌখি। মদু মিনিষ্টরশিংনা দিল অদুবু এপ্রুভ তৌখিবা গভর্ণমেন্টগী অখন্নবা মীফম অমগী মতুংদনি।

কুমজা ১৯৪৮ দা ইজরেলবু লৈবাক অমা ওইরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা টেক্নিকেলগী মীৎয়েংদা লান শোক্নবগী ফিভমদা লৈরক্লিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা মহৌশাগী মরী লাকহন্নবগী দিল অমা নত্তবনা এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনবগী থৌরম পাঙথোকখিদবনি। মদুগী মহুত্তা খরা নেম্বা থাক্কী ইজরেল্লি অমসুং লেবানিষ্ট দেলিগেসনশিংনা নাকৌরাদা য়ুএন ইন্টরিম ফোর্স ইন লেবানন (য়ুএনআইএফআইএল) গী হেদ ক্বার্টর্সতা সাইন তৌরবা এপ্রুভেলগী লেটরশিং সবমিট তৌখি।

## অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা মঙ্কিপোক্সনা মীওই ১৭৩ শিহনখ্রে

অবুজা, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২ হৌরকপদগী অফ্রিকাগী লৈবাক ১৩ দা মঙ্কিপোক্সকী কেস ৬৮৮৩ থেংনখি হায়না অফ্রিকা সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (অফ্রিকা সিদিসি) না হায়রি।

অফ্রিকা সিদিসিনা রিলিজ তৌবা দেটাগী মতুং ইন্না হায়রিবা মতম অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১৭৩ শিখ্রে অমসুং কেস ফেটালিটিগী রেসিও চাদ ২.৫ রেজিষ্টর তৌখি।

কন্টিনেন্টেল হেল্ঠ এজেন্সিগী অসিগী মতুং ইন্না কেস ৬৮৮৩ অসিগী মনুংদা ৫৯৯২ না চিংনবা কেসশিংনি অমসুং ৮৯১ না কনফার্ম তৌরবা কেসশিংনি। মঙ্কিপোক্সকী কেসশিং লায়না অসিগী কেস তোইগনবা লৈবাক নিপান অমসুং লায়না অসিগী কেস তোইনা থেংনদবা লৈবাক মঙাদা দিটেক্ট তৌখিবনি।

লায়না অসিগী কেস তোইনা থেংনরিবা লৈবাক নিপান অদুদি ভেনিন, কেমরুন, সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক, কোঙ্গো, দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো, ঘানা, লাইবেরিয়া অমসুং নাইজেরিয়া অসিনি। তোইনা থেংনবশিংগী মনুং চন্দবা লৈবাক মঙা অদুনা ইজিপ্ট, মোরোকো, মোজাম্বিক, সাউথ অফ্রিকা অমসুং সুদাননি।

ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন্না মঙ্কিপোক্স অসিবু চহী অসিগী জুলাইদা মালেমনা তরাইনা লৌরোইদবা গ্লোবেল পব্লিক হেল্ঠ ইমার্জেন্সি অমনি হায়না লাউথোকখিবদগী অফ্রিকা সিদিসিনা কন্টিনেন্ট অসিগী লৈবাকশিংদা মঙ্কিপোক্সকী লেবোরেটরি দাইগ্নোষ্টিক কেপাসিটি অমদি জেনোমিক সিক্বেন্সশিং কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা আপিল তৌদুনা লাকখি।

কন্টিনেন্টেল হেল্ঠ বোদি অসিনা অফ্রিকাগী ষ্টেটশিংদা কম্যুনিটিশিং অমসুং রিস্ক লৈবা মীওই গ্রুপশিংগীদমক্তা য়েংলগা জেনরেল অমসুং চানবা রিস্ক কম্যুনিকেসন মেসেজশিং শন্দোক্লবসু খঙহনখি। কুমজা ১৯৫৮ দা অহানবা ওইনা লেবোরেটরিগী য়োংশিংদা দিটেক্ট তৌখিবা মঙ্কিপোক্স অসি উচিনচিংবা রোদেন্টশিংগুম্বা শাশিংদগী মীওইবদা নত্ত্রগা মীদগী মীদা শন্দোকই হায়না লৌনৈ। মসি মহৌশানা হকচাংগী মহি মনাইশিং, লোক খুবা, হকথি খনবদা থোক্লকপা লোক তিনশিং অমদি অতৈ কন্টামিনেট তৌরবা পোৎশকশিংগী খুথাংদা শন্দোকপা তাংনা থোকপা ভাইরসকী লায়না অমনি।

## এসিয়া-পেসিফিক রিজনগী গ্রোঠ তপথরক্কদৌরি: আই এম এফ

সিঙ্গাপোর, ওক্তোবর ২৮ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না ইরাই নুমিত্তা রিলিজ তৌবা মসিগী রিপোর্টতা এসিয়া অমসুং পেসিফিক রিজনগী ইকনোমিক গ্রোঠ কুমজা ২০২২ অমসুং ২০২৩ দা তপথরকপা য়াই হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মসিনা হিরম কয়ানা মরম ওইদুনা মালেমগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং খুমাঙ চাওশিল্লকপা ঙম্লবা অমদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লান য়াওনা মরম কয়ানা লমদম অসিগী শেল থুমগী গ্রোঠতা শোকহনগদৌরি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।

আই এম এফনা হায়রি, মদুদি হান্না থাজরম্বদগী হেন্না শোনবা অনীশুবা ক্বার্টর ওইবা য়াবগী ফিভম লৈবনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফিভম ফগৎলকপা উখিবা শেল থুমগী খোঙজেল অমুক তপথরক্লি। আই এম এফনা চহী অসিগী ওইনা এসিয়া অমসুং পেসিফিক্কী গ্রোঠকী ফোরকাষ্টশিং হন্থহনখি। ফোরকাষ্টশিং অদুগী মতুং ইন্না এসিয়া অমসুং পেসিফিক্কী গ্রোঠ অসি চহী অসিদা চাদা ৪ দা লেপ্পগা লোয়ননা মথং চহীদনা চাদা ৪.৩ দা লেপ্তুনা এপ্রিলগী ফোরকাষ্টশিংগা চাংদম্নবদা মথংশিংনা পার্সেনেন্ট পোইন্ট ০.৯ অমসুং ০.৮ হন্থরি। রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি অফ্রিকাগী ইনফ্লেসনগী চাং কা হেন্না ৱাংনা লৈবগা লোয়ননা য়ুএসকী ফেদরেল রিজার্বকী মনিটরি পোলিসিদা হেন্না চেকশিনবগী মমি তারক্তুনা এসিয়াগী শেল থুমগী ফিভম হেন্না লুশিলহনগদৌরিবনি।